### ৩,৬০০ ক্রোর ভি ভি আই পি চোপ্পর স্কামঃ

# খৃষ্টিয়ান মিচেলনা সোনিয়া গান্ধী, ইটালিয়ান নুপীগী মচানুপা হায়না মমিং পল্লকখ্রে ঃ এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেট



***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ঃ*** কংগ্রেসনা লূচীংবা যুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এলায়েন্স (য়ু পি এ) গভর্ণমেন্ট মতমদা ভি ভি আই পি শিংগীদমক লগজরি হেলিকোপ্টর ১২ লৈনবগী ৱাথোক, লূপা ক্রোর ৩,৬০০ ভি ভি আই পি চোপ্পর স্কামদা চেন্নবগীদমক মথক্তা থিগৎপগী থবক চথরিবা মিদলমেন অহুমগী মনূংদা অমা ওইরিবা খৃষ্টিয়ান মিচেলনা এনফোর্সমেন দাইরেক্টোরেটকী কষ্টদিদা লৈরিঙৈদা কংগ্রেসগী সোনীয়া গান্ধীগী মমিং পলকখ্রে হায়না ঙসি দিল্লিগী কোর্ট অমদা প্রোব এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

মসিদসু নত্তনা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীদা হায়বা ওইনা, খৃষ্টান মিচেলনা ইতালিয়ান নুপী অদুগী মচানুপা অদুগী মরমদা অমসুং মহাক্না মতৌ করন্না লৈবাকসিগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্কনি হায়বগী মতাংদসু এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটকী উকিল অদুনা কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী অঙনবদা য়ু এ ইদগী খৃষ্টিয়ান মিচেলবু এক্সট্রদিট তৌরকখিবগী মতূংদা লূপা ক্রোর ৩৬০০গী আগষ্টতা ৱেষ্টলেন্দ ভি ভি আই পি চোপ্পর স্কামদা মনি লোন্দরিংগী মরালদা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা নুমিৎ ৭নি থল্লকখ্রবা তূংদা মহাকপু দিল্লিগী পাটিয়ালা হাউস কোর্টতা পুখোল্লককখিবনি।

খৃষ্টিয়ান মিচেল অমসুং অতৈ মীওইশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনবদা 'R' হায়না পল্লিবা অচৌবা মী অসি কনানো হায়বদু খঙনবা হোৎনবা ঐখোয়না মথৌতারি মসি খঙননবা মিচেলবু অতোপ্পা মীওই অদুগা ময়োক্লদুনা ৱাফঙনহনবগী মথৌ তারি হায়না এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা কোর্টতা হায়খি।

বৃটিস নেসনেল অদুনা মহাক্কী উকিলগা খুৎ শোক্লবদা চে মচেৎ অমা খুৎশিনখি। চে অদু য়েঙশিনবদা মদুদা সোনিয়া গান্ধীগা মরিলৈনবা ৱাহংশিং হংবা য়াওরমখি হায়রদুনা উকিল অদুনা খৃষ্টিয়ান মিচেলগা উনহনবা পামদে হায়না প্রোব এজেন্সিনা কোর্টতা হায়খি।

এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটকী ৱাফম অদুগী পাউখুমদা কোর্টনা হান্না পুং অমা শাংনা উন্নবা য়াহলম্বা অদুগী মহুতা উকিল অদুনা খৃষ্টিয়ান মিচেলবু অয়ুক্তা অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা মিনিট ১৫ উন্নবা য়াগনি, অদুবু মখোয় অনী ফুট ৩ লাপ্পনা লৈহনগদবনি হায়খি।

মশাগী চহি ৫৪ শুরবা খৃষ্টিয়ান মিচেল য়াওনা ময়াইচাবী মীওই অহুন্না আগষ্টতা ৱেষ্টলেন্দদগী লূপা ক্রোর ৩৬০০ লগজরি চোপ্পর ১২ লৈহন্নবা ইন্দিয়ান পোলিটিসিয়ানশিং অমসুং ব্যুরোক্রেদশিংবু শেন পীদুনা ৱানোমখিবনি।

ইটালিদা শেঞ্জা –থুমজাগী মরান ময়োক্লরিবা পেরেন্ট কম্পেনি ফিন্মেকানিকাগী আগষ্টতা ৱেষ্টলেন্দসু ইন্দিয়াগা শেঞ্জা –থুমজা তৌই হায়বগী মরালদগী হেলিকোপ্টর লৈনবগী কন্ট্রেক্ট অদু গভর্ণমেন্টনা ২০১৪দা ককখিবনি।

য়ুরো মিল্লিয়ন ৫৫৬.২৬২গী ভি ভি আই পি চোপ্পরশিং পীনবগী ২০১০ ফেব্রুৱারী ৮তা সহি তৌনখিবা দিল অদুদা চাউরক্লবা য়ুরো মিল্লিয়ন ৩৯৮.২১ (লূপা ক্রোর ২৬৬৬ লোম) গী শেন্ফম মাংলে হায়না সি বি আইনা ফোঙদোকখিবনি।

খৃষ্টিয়ান মিচেলনা আগষ্টতা ৱেষ্টলেন্দদগী ৱানোম শেন ওইনা য়ুরো মিল্লিয়ন ৩০ (লূপা ক্রোর ২২৫ লোম) ফঙখি হায়না এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টরনা মরান শিরি।

# ঙসিগী ইলেক্সন মাংওইননা বংলাদেসতা সেক্যুরিটি ফোর্স লাক্ষ ৬না চেকশিন্না ঙাকশেনহনখ্রে



***ধাকা, দিসেম্বর ২৯ঃ*** প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনানা ৪রক শুবা তার্মগী রেকোর্দ অমা ফঙনবা মায়পাক্লগনি থাজনরিবা হয়েঙ নোংমাইজিং নুমিৎতা পাংথোক্ল গদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সদা থোক্লকপা য়াবা হীংশা লাক্সিন্নবগী খোঙথাংদা বংলাদেসতা ঙসি সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎহনখ্রে।

পার্টি মশেন খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংনা মশক থিহনখ্রবা কেম্পেইন অমা লোয়খ্রবা তূংদা হয়েঙ নোংমাইজিং নুমিৎতা থাদনগদৌরিবা ভোত অসিগা মাংওইননা ওথোরিটিজনা পুলিস আর্মি অমসুং অতৈ সেক্যুরিটি ফোর্স ৬০০০০রোম থাদোক্তুনা চেকসিন থৌরাং লৌখৎখ্রে হায়না সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী শীংথানীংঙাই ওইরবা রেপিদ এক্সন বতালিয়ান, নেভি, বোর্দর কোষ্টগার্দ অমসুং ঔজিলিয়ারি পুলিস য়ুনিটশিংসু য়াওরবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অসিনা ইলেক্সন বুথ ৪০০০০ রোমগী সেক্যুরিটি পীগনি।

লৈবাক অসিগী কেপাসিটি মতূং ইন্না ঐখোয়না বংলাদেসতা সেক্যুরিটিগী খ্বাইদগী ৱাংবা চাং অদু শোয়দনা য়ৌহনগনি হায়না ইলেক্সন কমিসনগী রাফিল কুল ইস্লামনা এ এফ পি দা হায়খি। শান্তি ওইবা ফিভম অমা লৈগনি হায়না ঐখোয়না অশা তৌই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লৈবাক অসিগী জেনরেল ইলেক্সন অসিগী কেম্পেইন চখবা হৌনরকখিবগা মী মিল্লিয়ন ১৬৫গী মুস্লিমনা মশিং য়াম্বা লৈবাক অসিদা পার্টি মশেন খূৎ থোক্লবগী থৌদাকশিং লাক্সিনখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনাগী পার্টি অৱামি লিগ অমসুং ওপোজিস বংলাদেস নেসনেলিষ্ট পাটি ( বি এন পি)গী এক্টিভিষ্টশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা মীওই ১৩ শিখ্রে অমসুং মীওই লিশিং কয়া শোকখ্রে।

১৯৭১দা বংলাদেস মীংতমখিবা মতূংদগী অৱামি লিগ অমসুং বি এন পিনা লৈবাক অসিগী ১১ শুবা পালিয়ামেন্টরি মীখল অসি ফাওবদা মখোয় মখোয়গী এলায়েন্সশিং লূচীংলক্লি।

রাফিকুল স্লামনা হায়, ইলেক্সন ওথোরিটিজনা মীখল অসি থাজনীংঙাই ওইবা মীখল ওইগনি হায়না হৌজিক ফাওবা মপূং ফানা থাজে। যুনাইটেদ ষ্টেসনা মীখল অসিগী মতাংদা নূংনাংবা ফোঙদোক্লকখ্রে অমরোমদা যুনাইটেদ নেসন্সনসু মীখল অসি ফিয়ার ওইবা মীখল ওইহন্নবা হেন্না চেকসিনা হোৎননবা অপিল তৌরকখ্রে।

ফ্রি অমসুং ফিয়ার ইলেক্সন অমা ওইহন্নবা ঐখোয়না খ্বাইদগী ওন্বা চাংদা হোৎনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লকখি।

## ইজিপ ফোর্সশিংনা টেরোরিষ্ট ৪০ হাৎখ্রে

***কায়রো, দিসেম্বর ২৯ঃ*** গীজা পিরামিট মনাক্তা ভেয়েনামিষ্ট টুরিষ্ট ৩ অমসুং মখোয়গী গাইদ হাৎখিবা লম্বী নাকনগী বোম এটেক্কী নুংঙাইবা ঙসি থাংজগী অঙনবদা ইজিপ পুলিসনা তোঙান তোঙানবা রেদশিং চখদুনা টেরোরিষ্ট ৪০ হাৎখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

গীজা গবরলোরেটতা চখবা রেদ অনীদা টেরোরিষ্ট ৩০ হাৎখি অদুগা ইরাং কনবা নোর্থ সিনাইদা চখবা অতোপ্পা রেদ অমদা টেরোরিষ্ট ১০ হাৎখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

# হার্দকোর টেরোরিষ্ট ২২গী শিবগী চৈরাক পাক আর্মি চীফনা অয়াবা পীখ্রে



***ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২৯ঃ*** পাকিষ্টানগী মফম কয়ামরুমদা টেরোরিজমগী ওইবা থবক কয়াদা চেন্নবা হার্দকোর টেরোরিষ্ট ২২দা শিবগী চৈরাক পীবা অদু চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সি ও এ এস) জেনরেল কমার জাবেদ বজৱানা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা অয়াবা পীখ্রে।

মখোয়গী টেরোরিষ্টকী থবক থৌওংশিং অদুদা আর্ম ফোর্সেস পার্সোনেল ১৯ পুলিস অমসুং নেভি ওফিসিয়েল ৪১ অমসুং মীচম ১১৬ য়াওনা পূন্না মীওই ১৭৬ শিখি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ২১৭ শোকখি। মখোয় অসি স্পিসিয়েল মিলিটরি কোর্টশিংনা ৱায়েল চখখি। কনভিক ১৫ তোঙান তোঙানবা জেলগী চৈরাকশিং পীখি। কনভিক ২দি মরল লৈবা ফঙখিদ্রে অমসুং থাদোকখ্রে।

কনভিক ১২ মক টেরোরিষ্ট ওরগনাইজেসনগী মেম্বরশিংনি। অব্বাস তাউন কারাচিদা আই ই দি হাপ্পা গারি পোকখাইহনবদা মরাল লৈজদ্রবা মীচম ৫৭ শিখি অমসুং ৭৯ শোকখি।

মখোয় ফাবা মতমদা মখোয়দগী খূৎশু– খূৎলাই অমসুং বোমশিং ফঙখি। মেজিষ্ট্রেট অমসুং ট্রায়েলকোর্টকী মমাঙদা মখোয়না মশাগী মরালশিং য়াজখি অমসুং মখোয়দা শিবগী চৈরাক পীখি।

শিবগী চৈরক পীখ্রবা কনভিক ২২ অসিদা নৎতনা অতোপ্পা কনভিক ১৫সু তোঙান তোঙানবা চাংদা জেলগী চৈরাকশিং পীখি।

## বংলাদেসতা জালিনোটশিং ভোতরশিংদা য়েলম্লে

***ধাকা, দিসেম্বর ২৯ঃ*** হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা পাংথোক্কদৌরিবা বংলাদেসকী জেনরেল ইলেক্সনশিংদা ভোত থাদগদৌরিবা ভোতরশিংদা জালিনোটশিং য়েলম্লে। অসুন্না শাজিন্নবা শেল শিজিনদুনা ভোতরশিংবু মখোয়গী মীরেপতা ভোত পীনবা হোৎনরম্বগীদমক জমাত–ই– ইস্লামি লূচীংবা অমগী লোয়নবী নুপী অমসুং মচানুপা য়াওনা মীওই ৪ ফারে।

ভোতরশিং লৈনবা হোৎনরে হায়বগী পাউ ফঙবদগী ঙরাং পুলিসনা সদর উপাজিলাদা জমাদকী ৱেষ্ট য়ুনিটকী চীফ অমির সহাদতকী ময়ুমদা রেদ চখদুনা মীওইশিং অদু ফাগৎখিবনি।

জমাত–ই–ইস্লামিনা হয়েঙগী মীখলসিদা পালিয়ামেন্টরি সিট ২৫ মিরেপ থাগৎলিবনি।

# থাই কেভ রেস্ক্যুগীদমক দাইভর ৪দা ইংলেন্দগী ক্বিন এলিজবেথনা ব্রেভরি এৱার্দ পীখ্রে



***লন্দন, দিসেম্বর ২৯ঃ*** থাইলেনগী ঈশিং থুমজিনখ্রবা সুরুং অমগী মনূংদগী জুনিয়ার ফুটবোল টিম কনবদা তেঙবাংখিবা বৃটিস দাইভর টিম অমবু হান্নগী সুপর মোদেল ত্বিগ্গি অমসুং মোন্টি পাইথোনগী মায়কেল পালিনগা লোয়ননা বৃটেনগী ট্রেদিসনেল ন্যু ইয়ার ওর্নর পীদুনা ইকাইখুন্নখ্রে।

ঙরাং ইরাই নুমিৎতা লাওথোকখিবা লেমজনীংঙাই ওইরবা চহিগী মনা ফঙলগদবা হোল্লিবুদ ফিল্ম মেকর কৃষ্টফর নোলান, দাউনতোন এব্বিদগী জিম কারটর, বেষ্ট সেলিং ওরথর ফিলিফ পুল্লমেন অমসুং লিদিং গ্রেক্সিটিয়া লোমেকর জোন রেদবুদ য়াওবা লিষ্ট অদুদা অন্দরৱাটর স্পেসিয়েলিস ৭ অদুসু য়াওখি।

দাইভর ৭ অদুগী মনূংদগী খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোক্লা মথৌনা ফবগী এৱার্দশিং পিখি অদুগা অতোপ্পা দাইভর ৩ অদু মোস এক্সলেন্ট ওর্দর ওফ দা বৃটিস এমপয়ারগী মেম্বরশিং ওইহনখি।

ঈশিং থুন্নবা সুরুং মনূংদা খুদোঙ থিবা তাদুনা লৈখ্রবা পোলো শান্নরোই অঙাং ১২ অমসুং মখোয়গী কোচ অদু য়ৌখিবা দাইভরশিংদুগী অহানবা রিচার্দ ষ্টেনটন অমসুং জোন পোলানথেনদা লৈবাকসিগী ২শুবা খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান গেলেন্ট্রি এৱার্দ ওইরিবা জোর্জ মেদল পীখি। রিচাদ ষ্টেনতনদি মাগী রেস্ক্যু সাভির্সশিংগীদমক ২০১২তসু হান্নদা এম বি ই অমা ওইখ্রবনি।

খৃষ্টিফর জিৱেল অমসুং জেনসন অমসুং মেরিনসননা ক্বিন'স গেলেন্ট্রি মেদল ফঙখি অদুগা জোসুৱা ব্রেটচলি, কোন্নর রো অমসুং ভেরনন অন্সৱোর্দপু এম বি ই গী মীংথোল পীদুনা লৈতেঙখি।

ক্বিইন এল্লিজাবেথ–২গী ২০১৯ ন্যু ইয়ার ওনরস লিষ্ট অদুদা পূন্না ফঙগদবা মীওই ১১৪৮গী মমিং য়াওরি।

## হান্নগী নাইজেরিয়ান প্রসিদেন্ট লৈখিদ্রে

***লাগোস, দিসেম্বর ২৯ঃ*** মিলিটরি লৈঙাকপা অনিগী মরক্তা মীচমগী লৈঙাক অমা লূচীংখিবা নাইজেরিয়াগী ২শুবা প্রসিদেন্ট শেহুশাগরি মশাগী চহি ৯৩ শুবদা লৈখিদ্রে। চহি ৩৫গী মমাঙদা শাগরিবু প্রসিদেন্ট ফমদগী লৌথোকখিবা নাইজেরিয়াগী হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট মোহামদু বুহারিনা মরৈবাক নীংবা অমা লৈখিদবা অসিদা থম্মোই শোক্না অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

## পাকিষ্টান সুপ্রিম কোর্টনা টেরোরিষ্ট বোদিনি লাওথোকখ্রে

***ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২৯ঃ*** পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা পাক–টর্কিস ইন্টরনেসনেল কেগ এদুকেসন ফাউন্দেসন (পি টি আই সি ই এফ) বু টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাওথোকখ্রে অমসুং য়ু এস তা লৈবা মুস্লিম ক্লেরিক অমসুং এদুকেটর ফেথহুল্লা গুলেনগা মরিলৈনবা টরকিস চেরিটি অদু থিঙজিন্নবা অমসুং মখোয়গী স্কুলশিং অদু প্রো টরকিস গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমদা শিন্নখিনবা গভর্ণমেন্টতা পৌতাক পীখ্রে।

**সনা–সুদোকু – গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 8 | 3 | 4 | 7 | 1 | 6 | 9 | 2 |
| 4 | 9 | 7 | 2 | 6 | 5 | 1 | 8 | 3 |
| 2 | 6 | 1 | 3 | 9 | 8 | 5 | 4 | 7 |
| 9 | 7 | 6 | 1 | 8 | 4 | 3 | 2 | 5 |
| 1 | 5 | 8 | 9 | 2 | 3 | 4 | 7 | 6 |
| 3 | 2 | 4 | 7 | 5 | 6 | 9 | 1 | 8 |
| 7 | 3 | 9 | 6 | 4 | 2 | 8 | 5 | 1 |
| 8 | 1 | 2 | 5 | 3 | 9 | 7 | 6 | 4 |
| 6 | 4 | 5 | 8 | 1 | 7 | 2 | 3 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1377**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | 6 | | 5 | | 1 | 7 |
| 6 | | | 1 | | | 5 | 2 | |
| 1 | 2 | | 4 | | | | | 9 |
| | | 1 | | | 2 | 7 | 9 | |
| 7 | | 2 | | 9 | | | 5 | |
| | 6 | | | 1 | 4 | 2 | | |
| | 1 | | 2 | | 7 | | | 5 |
| 2 | | 6 | | 4 | | | | 8 |
| | | 7 | | 5 | | 1 | | |

# নুমিৎ ১৬নি হৌখ্রে, হেলমেট ৩ খক ফংলি, মেঘলয়া খোনী মনূংদগী মাইনরশিং ফংবগী মমি উদ্রি



***কসান, দিসেম্বর ২৯ঃ*** ঈশিং থুন্নবা ফুট ৩২০ লূবা মেঘলয়াগী ইষ্ট জয়েন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনূং হঞ্জনবা লমদমদা লৈবা কোইলা খোনী মনূংদা হৌখিবা নুমিৎ ১৬নি লৈখ্রবা মাইনর ১৫ অদু ফঙনবগীদমক রেস্ক্যু ৱাকরশিংনা ঙমজবী থাদুনা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা সুপ্নগী মাইনরশিং অদুগী হেলমেট ৩খক ফঙবা ঙল্লি। অদুবু মাইনরশিং অদু ফংবা ঙম্বগী মমি ওইদ্রি।

হৌজিক নেভি দাইভরশিং অমসুং কিরলোস্করনা শাবা হায়–পৱার পম্পশিং হাপ্পা ট্রকশিং চঙশিনখ্রে। ঙরাং নুমিদাং গুৱাহাতি এয়ারপোর্টতা হায়পৱার পম ১০ পুরকপা এয়ারফোর্সকী হেভি–লিফট প্লেন অমা থুঙলখ্রে। হৌজিক ওথোরিটিজনা মনূং হুঞ্জিলিবা মফম অদুদা মতৌ করন্না ইক্যুমেন্ট অদু খোনী অদুদা পুরক্কদগে হায়বা খন্নরি।

অন্ধ্র প্রদেসকী বিসাখাপ্তনমদগী নেভিগী মীওই ১৫না শাবা দাইভিং টিম অমসু খোনী অদুতন্না লাকপগী লম্বীদা লৈরে। হেভি পম্প শাবা কিরলোসকর ব্রদরস লিমিটেদকী টিম অমা ইরাই নুমিৎতগী হৌনা সর্ভে মিসন অমদা খোনী অদুদা থুঙলখ্রে। কোল ইন্দিয়া এক্সপার্টশিংসু মথঙদা করিতৌবা য়াবগে হায়বা য়েঙশিনবা মফম অসিদা লৈরে। পম্পশিং অদু হেক থুঙলবগা অমসুং ঈশিংগী ঈমাই অদু খুদোঙচাবা চাংদা হেক হন্থহনবা ঙম্বগা ঐখোয়গী দাইভরশিং খোনি অদুগী মনূংদা লূথরগনি হায়না সেন্ট্রেল রেস্ক্যু ফোর্স অদু লূচীংলিবা এন দি আর এফ এসিষ্টেন্ট কমাদেন্ট এস কে সিংহনা হায়খি।

খোনি অসি উ পাম্বীশিংনা পীকথন্না হৌবা চীংদুম অমগী মতোনদা লৈবনি। খোনীদু য়ৌনবা মীওই অমনা ফুট ৩০ পাকপা লিয়েটিন তুরেন অহুমলক হন্না লাম্হোকপা তাই। অনকপদা মী তাবা মফম অমতা লৈতে। আইনগী ৱাংমদা থবক চখবা কোইলা খোনি ৮০–৯০ রোম লৈ।

হৌজিক খুদোংথিবা থোক্লিবা খোনি অসি মপু মফম অসিগী মীওই অমা ওইরিবা ক্রিপ সুলেতনি। এদমিনিষ্ট্রেসনা থৌদোক অসি হেক খঙলকখিবগা মহাক ফাখ্রে। মফম অসিদা লৈরিবা আইনগী ময়োক্তা চখবা লনাই খোনিশিং মতম শাংনদগী থীঙজিনখ্রবনি অদুবু দিসেম্বর ১৩দা মাইনরশিং অদু খোনি মনূংদা চংখিবদগী থোক্লকপা ঙমদনা লৈখিবা অদুগী নুমিৎ নীনি–হুন্নিগী মমাঙদা মাইনিংগী থবক অমুক হৌখিবনি।

## গাড়ি থেঙ্গাইনবদা ৭ শিরে

***অম্বালা, দিসেম্বর ২৯ঃ*** অম্বালা–চান্দিগর নেসনেল হায়ৱেদা লৈচিন কুঙনা থাবদগী উবা ঙমদদুনা ঙসি এস য়ু ভি অনীদা গাড়ি অমনা থেঙ্গাইরকপদগী মীওই ৭ শিখ্রে অমসুং ৪ শোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওইশিং অদু চান্দিগরদগী ঙাক্তনি। চয়োল অসিগী মনূংদা হরিয়ানগী ঝাজার দিষ্ট্রিক্টকী মনূংচনবা নেসনেল হায়ৱেদা গাড়ি ৫০ অকুঙবা লৈচিল মরক্তা অমগা অমগা থেঞ্জিনবদগী মীওই ৮ শিখ্রবনি।

## টুরিষ্ট ৩০০০ আর্মিনা রেস্ক্যু তৌখ্রে

***গেঙতোক, দিসেম্বর ২৯ঃ*** ইন্দিয়া অমসুং চিনা ঙমখৈদা সিক্কিমগী নাথুলাপাস মনাক্তা শাথিনা উন তারকপদগী চৎপা য়াদনা লৈখ্রবা টুরিষ্ট ৩০০০ হেনববু ইন্দিয়ান আর্মিনা কনখ্রে। অমসুং মখোয়বু লৈহন্ননবা আর্মি জৱানশিংনা বেরেকশিং হাংহনখ্রে।

# দিল্লিগী মথক্তা ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট ৩ থেঙ্গাইনগদবদগী শন্নাদা নাম্হোকহৌরে, পাইলোটশিং কৌখৎখ্রে



***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ঃ*** পাউ কয়াগী মতূং ইন্না পেসেঞ্জর চা কয়া পুবা ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট ৩ দিল্লি ফ্লাইট ইনফোমেসন রিজনদা নোংথক্তা পায়রিঙৈদা থেঙ্গাইনরমগদবদগী এয়ার ট্রাফিক কন্ট্রোল (এ টি সি)না ওতো–জেনরেটেদ ৱার্নিং কয়ামরুম তৌবদগী শন্নাদা নাম্হোকহৌরে হায়রি।

এয়ারক্রাফ এক্সিদেন্ট ইনসিদেন্ট ব্যুরো (এ এ আই বি)না ফ্লাইট ৩ অদুগী পাইলোটশিং অদু কৌখৎলগনি হায়না ব্যুরো অসিগী লিখুলশিংনা পাউগী এজেনসিদা ফোঙদোকখি। ফোরেন এয়ারলাইন্স ৩ অদুদি দটচ কেরিয়র (কে এল এম), টাইৱানগী ইভা এয়ার অমসুং য়ু এস তা লৈবা নেসনেল এয়ারলাইন্সনি।

মখোয়গী প্লেনশিং অদুনা অমগা অমগা চপ মানবা ৱাংবগী চাংদা পায়খিবনি মদু প্লেন পায়রিঙৈদা অমগা অমগগী মরক্তা তঙাইফদনা লাপ্নহনগদবা নিয়ম অদু ময়েক শেঙনা থুগাইবা অমনি।

য়ু এস নেসনেল এয়ারলাইন্স অদুনা ফুট ৩১০০দা অফগানিষ্টানদগী হোঙ–কোঙদা পায়রকখিবনি, আমষ্টরদাম–বেঙকোক এভা এয়ারপ্লেন অদুনা ফুট ৩২০০দা অদুগা ভিয়েৎন্নাম তন্না পায়রকপা দটচ, কে এল এমনা ফুট ৩৩০০দা পায়খিবনি। অসুন্না প্লেন ৩ অদুনা অমগা অমগা সুপ্নগী ফুট ১০০ খক্তমক লাপ্পনা পাইখি।

দাইরেক্টোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসনগী এয়ার ক্রাফ (ইনভেষ্টিগেসন ওফ এক্সিদেন্টস এন্দ ইন্সিদেন্টস) রুলস ২০১৭গী মতূং ইন্না ফোরেন এয়ারলানশিংগী পাইলোটশিং অদুবু ইনভেষ্টিগেসনগীদমক কৌখৎনবা এ এ আই পিদা শক্তি পী।

হকচিনবা থৌদোকশিংদা ফোরেন এয়ার লাইন্সশিংগী পাইলোটশিংবু এ এ আই বিনা ইন্টরনেসনেল এভিয়েসন বোদি অমা ইন্টর্নেসনেল সিভিল এভিয়েসন ওর্গানাইজেসনগী খূৎথাংদা কৌখৎনবগী শক্তি লৈ হায়রি।

## খূৎথোক্লবদা টেরোরিষ্ট ৪ শিখ্রে

***শ্রীনগর, দিসেম্বর ২৯ঃ*** ঙসি অয়ুক জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী হনজান এরিয়াদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা টেরোরিষ্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ৪ শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

নাকন অমরোমদা ষ্টেট অসিমক্কী কথুৱা দিষ্ট্রিক্টতা খূৎলাই অমসুং নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎতুনা আর্মিনা অচৌবা টেরর এটেক অমা চথরক্কদবদগী থিংবা ঙমহৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি থাংজগী অঙনবদা বিলৱর ব্লোকতা আর্মি অমসুং মফম অদুগী পুলিসকী অপূনবা ওপরেসন অমদা এ কে রাইফল ২, হেন্দ গ্রেনেট ১, মরু ২৫৬কা কোন্নবা মেগজিন ৪ অমসুং স্নাইপর মরু ৫৯ ফাগৎখি হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি। খূৎলাই অমসুং নোংমৈমরুশিং অদু পোলিথিন বেক অমদা য়োমশিল্লগা মী চিকপা মফম অমদা লোত্তুনা থল্লমবনি হায়রি।


**URGENTLY WANTED**

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
|---|---|---|---|
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

**Contact no. : 9862780781 & 8416065510**

**Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.**

*SL/1194/Upto 31 December2018*


## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking upto : 07/11/18
Valid from : 01/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas Moirang**
Booking upto : 30/10/18
Sl. No. : 6850
Valid from : 27/10/18
Sl. No. : 6331
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking upto : 11/11/18
Sl. No. : 300
Valid from : 06/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking upto : 07/11/18
Valid from : 01/11/18
Stk :612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**J Rongmei**
Sl. No. : 26661 to 26960
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Phougakchao Gas**
Booking upto : 24/12/18
Valid from : 27/12/18
Sl. No. : 3307 upto 3613
Stk. : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking upto : 14/11/18
Valid from : 12/11/18
Sl. No. : 10891
Time : 07.00 to 09.30 a.m